# নুপীনা ফিল্ডদা থোক্তুনা অহানবা শান্নরকপা ওইবনা ঐখোয়দি মীয়ামগী মীনোক-মৈশা ময়াম অমসু থেংনরকখি



ঐচ যমুনা দেবী
(ভেটরান প্লেয়র)

(ঙরাংগী মখা)

ইম্ফাল স্পোর্টিং য়ুনিয়নদা চহী ১/২ শান্নরম্লবা মতুংদা কুমজা ১৯৫৩দগীদি ঐহাক খ্বাই এথলেটিক্স য়ুনিয়নদা অমুক শান্নজরকখি। অসুমহায়না ঐহাকসি চহী মঙা তরুকলোমদি শান্ন-খোৎনবসিদা থৱায় হকচাং লুপ্তুনা লেঞ্জরকখি। মপান কাংজৈবুংদা, মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা শান্নবুং কয়াদা স্পোর্টস ইভেন্ট ময়ামসি অমসু অমসু পঙশান্দা শান্নবনিনা মীয়াম্নসু ঐবু থোইদোক্লা শকখঙবীখি। স্পোর্টস মীট অমা পাঙথোক্লি হায়রগদি নুপী শান্নরোয় ঐখোয় ময়ামসু কোইহৌ হৌনদুনা চীথবা অমত্তা লৈতনা য়াওজরকখি। অদুগা, ঐখোয় শান্নবা পামজরকপী ময়ামসিদি স্পোর্টসকী মহাউসু ফজনা খঙজরকখি। ইনখৎলকপা, নহা ওইরিঙৈ মতমসিদি ঐখোয় শান্ন-খোৎনবনা মপুং ওইরগা হৌজরকখি। স্পোর্টসতা পুক্নিং ৱাখল লুপচবা ঐখোয় ইমান্নবী ময়ামসিদি য়াম্না লুনসু তীন্নজরকখি। অয়াম্বা মতমদা থানদনা তীন্নজরকপসি চাউরাক্লা ঐখোয় কুনগুম্বনি। শান্নবগী প্রেক্টিস তৌবা চৎমীন্নরকখিবশিংদু ঙসি ফাওবা লোইনা নিংশিংলি। নোং ঙানফুঙ-ঙানফুঙ তৌবা মতমসিদা ঐখোয় খরদি পুল্লপ হৌনরগা মপান কাংজৈবুঙ তান্না লাক্কদৌরিবনি। কাংজৈবুঙ হেক য়ৌবগা রাউন্দ মঙা-তরাসি শৎ-শৎ চেন্দোইনি।

ৱাফম অমনা, ঐখোয় মতমগী শান্ন-খোৎনবদা থৱায় য়াওবা ইমান্নবী ঐখোয় ময়ামসি স্পোর্টসতা থৱায় য়াওবগুম লাইরিক-লাইশুদসু পুক্নিং লোইনা চঙনরকই। স্কুল মতম হেক লোইবগা শান্নবসিদসু পুল্লপ শান্নরুগনি। নুমিদাংগী মতমসিদা লাইরিক অসিসু শোইবা য়াদেকো হায়দুনা কন্না ঔরাইনরকখি। শান্নরুরে হায়দুনা লাইরিক পাবা তোকপনচিংবসিদি ঐখোয় কনাসু তৌনরক্তে। লাইরিকসিদসু ঐখোয় ইমান্নবী ময়ামসি কম্পিটিসননি। শান্নবসু তোকপা য়াদে, লাইরিকসু শোইহনবা য়াদে হায়দুনা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি।

অমরোমদা, নুপী ওইনা পোক্লবনা ইমুং-মনুংগী থবক ইনখাংশিংসু অমত্তা চিথদনা নোন্নকখি। শান্নবগী



ময়ামদগীসু হান্ননবা হোৎনবা, ইমুং-মনুংগী থবকশিং অসিসু শৎ নান্না লোইশিল্লম্লবা মতুংদা, হোক্কিষ্টিক পায়দুনা, জেভলিন পুদুনা মপান কাংজৈবুংসিদা ইনিং তম্না প্রেক্টিস তৌরুগদৌরিবনি। মসিগী মীৱা তারক্কনিনে। ইমা-ইবেন খরদি তোইনা লাক্তুনা ইশাদসু ঙাংলরিবনি। মখোয়না ফনা য়াম্না ঙাংদুনসু অয়েৎ-অপন তোইনা পীদুনসু শান্নবদি লেপহনবা ঙমখিদে। অদুম শুকলেপ লেপ্তুনা চৎলকখি। কুমজা ১৯৪৭-৪৮দগী অদুম শান্নজরকপদুনা কুমজা ১৯৫৫ ফাওবদি মমিং লৈনা শান্নজবা ঙমজরকখি।

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**

**অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং**

প্রেক্টিস চৎপা য়ানবা হায়দুনা য়ুমগী থবক পুম্নমকসি শৎ শৎ লোইশিল্লগা থল্লল্লিবনি। ইনখৎলকপা মতমদদি হকচাংসিসু য়াম্না ফরকখি। শান্নবগী এক্সরসাইজনচিংবা খরা সুম তৌবদুনা পাঙ্গলসিসু য়াম্না কল্লকখি। ইমুংগী য়াল্লবা থবক ময়াম তৌবদা অৱাবসু থোইনা লৈরকখিদে। ঐখোয় মতমদদি অয়ুক নুমিদাংগী চেঙ চরাসি ফৌ শুরগা চানরম্মী। অদুনা ফৌসিসু শুরমগদৌরিবনি। ঈশিং অসিসু শনাবুন পুরগা অরাপ্পদগী শোক্লমগদৌরিবনি। নুপী অমা ওইনা চাকথোং-ফৌশু তৌরম্বা, ঈশিং-মাইশিং শোক্লম্বা হায়বসি তৌরমদবা য়াদবনি। হায়রিবা থবক ময়ামসি ঙম্ননবা হোৎনবা হায়বসিসু তরাইবা অমদি নত্তে। ইমান্নবী শরৈ ময়ামসি ঙম্ননবা হোৎনবদা হকচাংসিদি অদুম ফিট ওইখিবজ ৎনি। শান্নবা পামজবগী নিষাসিদি অঙকপনি। শান্ননিংবগী ৱাখল অমা পুক্নিংদা চপ-য়ুংনা লৈবনিনা থবক ময়ামসি চেন্ন-চেন্না তৌবদা ঙমদবসু অমত্তা লৈখিদে। খরা ৱাজরবসু ঙমদি অদুম ঙম্লকখি। প্রেক্টিস চৎত্রিঙৈদগী হুমাংদি ওরো ওরো অদুম তারবনি। অসুম হায়না অমসু অমসু ঙম্ননবা হোৎনরিঙৈসিদা লৈকাইদগী শান্ন-খোৎনবদা নুপীনা য়াওবা পামদবী ইমা-ইন্দোনশিং থওইনা লাক্লগা ইমাগা পাবুঙদা হায়ররিবনি, ঙাওরব্রা নখোয়বু নচানুপী লৈশাবীদুবু কোইথা থাদুনা শান্নহল্লিবদুবু করিগীনোনে? ময়ুম পানবগা অমত্তা খঙলরোইনে, নুপা-নহাদৌনা কোইথা থারিবদু শান্নজবা ঙমজরকখি।

অদুগা, কুমজা ১৯৫৩গী মতমসিদা অতৈ অতৈ মশান্নশিংগা লোইননা ঐহাক খ্বাই এথলেটিক্স য়ুনিয়নগী শান্নরোয় ওইনা বেদমিন্টন অসিদসু শরুক য়াজরকখি। মদুদা ঐহাকসি রন্নর্স অপ তাজরকখি। লোয়ননা সোট-পুট অসিদসু সেকেন্দ প্রাইজ ফঙজরকখি। য়াওরু য়াওরুবা আইটেম খুদিংমকসিদা ফর্ষ্ট নত্রগা সেকেন্দগী প্রাইজসিমদি ইতৎ তত্তনা লৌবসু ঙমজরি। অসুম্না শান্নজরকপনা কুমজা ১৯৫৫ অসিদদি ঐহাক নাকো ক্লবতা অমুক শান্নজরকখি। হায়রিবা চহী অসিদদি ঐহাক সোট-পুট অমদি দিস্কসতা ফর্ষ্ট প্রাইজ লৌজবা ঙম্লকখি। বেদমিন্টনদি সেকেন্দ প্রাইজ ফঙলকখি।




মথং ..মথং...


## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৪

১) ওলিম্পিক্কী ৱাটর পোলোদা ক্লব অমনা গ্রেট বৃটেনগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াখিবদা সনাগী মেদল ফংখি। ক্লব অদুগী মমিং পীয়ু।

২) কুমজা ১৯৫৪দা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা অচৌবা স্পোর্টস অমদা মণিপুরগী ক্লবশিংনা শরুক য়াখি। অয়াম্বা ক্লবশিংদি মমিং ওন্থোক্লগা শরুক য়াখি। মখোয়গী মরক্তা রুপমহল থিয়েটর ক্লবসু অমনি। করম্বা ক্লবকী মহুত্তা থিয়েটর অসিগী মমিং শিজিন্নখিবগে?

৩) করম্বা চহীদগী অসামনা রঙ্গাস্বামী কপ (Rangaswami Cup)তা শরুক য়াখিবগে?

৪) কুমজা ১৯৮৭তা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট কনানা ওইখিবগে?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তগী পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইন্দিয়াগী নুপাগী ফ্রিষ্টাইল রেষ্টলিং কোচ হোসেন কারিমি দব্লীউ এফ আইনা মহাক্কী ফমদগী লৌথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৩(এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী নুপাগী ফ্রিষ্টাইল রেষ্টলিং কোচ ওইরিবা ইরান মচা হোসেন কারিমিবু রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (দব্লীউ এফ আই)না মহাক্কী মায়কৈদগী ভি আই পি কলচরগী মওংদা থবক চথুরকপা মরমনা কোচ ওইবগী থৌদাং অদু লৌথোকখ্রে।

পনবা য়াই, কোচ হোসেন কারিমি দব্লীউ এফ আইনা থা ৬কী ওইনা ইন্দিয়াগী নুপাগী ফ্রিষ্টাইল রেষ্টলরশিং অদুবু তাকপী তম্বীনবা নেকখিবনি। মহাকমথং চহীদা জপাননা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ফাওবা কন্ট্রেক্ট লৈনখিবনি।

দব্লীউ এফ আইগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা কোচ হোসে কারিমি থাদা য়ু এস দোল্লর ৩৫০০ পরদুনা ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিং অদুগী কোচকী থৌদাং পুহনখি। অদুবু



কারিমিগী মায়কৈদগী অহেনবা দিমান্দশিং তৌরখিবা অদুনা মরম ওইরগা থা অমদা মহাক্কী চাদিং অদু য়ু এস দোল্লর ৫,০০০ য়ৌরকখি।

রেষ্টলিং ফেসরেসন ওফ ইন্দিয়াগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী বিনোট টোমনা ফোঙদোরকখিবদা কারিমিগী মায়কৈদগী অমনা নত্রগা অমদা কমপ্লেন তৌদুনা লাকখি। নেসনল কেম্প চথুরিবা সাই কমপ্লেক্সতা লৈবগী মহুৎতা ফ্লেট অমা ৱাইরগা লৈরি। লোয়ননামহাক্লা ইন্দিয়াগী মফম অমদা চৎপদা কার অমা অদুমক ৱাইদুনা থমখি। ফেদরেসনগী মায়কৈদগী অনৌবা কোচ অমা থীনবা হোৎনরি।

# ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন বেলজিয়মগী টিমবু ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিমনা পাঞ্জল ৫-১দা থোইদুনা টুর চাদা ১০০ মায় পাকখ্রে

এন্টরেপ, ওক্টোবর০৩(এজেন্সী)ঃ

য়ুরোপকী চেম্পিয়ন ওইবতা নত্তনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা বেলজিয়মবু ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিমনা ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা ৫-১দা থোইদুনা টুর অদুদা ইন্দিয়াগী টিম মেচ চাদা ১০০ মায় পাকপা ঙমখ্রে।

ৱর্ল্ড নম্বর ৫কী থাক্তা লৈরিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিমনা বেলজিয়মদা হোক্কি টুর অমা শান্নরিবা অদুদা পুন্না মেচ ৫ শান্নবদা মঙামক মায় পাকপা ঙমখিবনি। ঙসি শান্নখিবা মেচ অদু টুরগী অরোইবা মেচ ওইখি।

ইন্দিয়াগী টিম অদুদা হোক্কি টুর অদুগী অহানবা মেচ ওইনা য়ুম্বু ওইখিবা বেলজিয়মবু পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা ফজবা হৌখি। মদুগী মতুং অনীশুবা মেচ তা স্পেনবু পাঞ্জল ৬-১দা থোইবা ঙম্লবা মতুং ৩শুবা




মেচ অদুসু স্পেনগা শান্নবদা য়াম্না ফজবা ঙমদুনা পাঞ্জল ৫-১দা মায় পাকখি।

ইন্দিয়াগী টিম অদুদা থা অসিগী ১দা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন বেলজিয়মগা শান্নখিবা টুর অসিগী ৪শুবা অদুগা লৈবাক অদুগনা ২রক শুবা মেচ অদুসু অকনবা লম্বা মায়োক্লুরগা পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা মেচ ৪দা মরিমক মায় পাকখি।

ঙসি শান্নখিবা হোক্কি টুর অদুগী অরোইবা অমদি ৫শুবা মেচ অদু বেলজিয়মগা লম্বা তৌনখি। বেলজিয়মগী টিম ইন্দিয়াগী মখুৎতা মেচ অনীরক মায়থীবা নংখিবা অদু অমা হন্দোকপা য়াবগী খুদোংচাবা লৌদুনা শন্নখিবা অদুবু বেলজিয়মগী মায়কৈদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা ঙন্না এটেক চখুদুনা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

৭ শুবা মিনটতা সিমরঞ্জিৎ সিংহনা একাউন্ট হাংদোকখি। অনীশুবা ক্বার্টর পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। মেচকী অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৫ চঙশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী ললিট কুমার অমসুং বিবেকসাগর ৩৫ অমসুং ৩৬তা পাঞ্জল অনী চনখি। ৩৯শুবা মিনটতা বেলজিয়মগী অলেকজেন্দরনা পাঞ্জল চল্লবা মতুং ৪২ অমসুং ৪৩ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী হরমনপ্রিট অমদি রমন্দিপনা পাঞ্জল অমমম চল্লগা টুরগী অরোইবা মেচ অদু ৫-১দা থোইখি।

# নীনিশুবা নুমিৎকী লোইশিনখিবদা সাউথ অফ্রিকা অহানবা ইনিংসতা ইন্দিয়াগী অপুনবা রনদগী ৪৬৩ শোত্থদুনা লৈরি

বিসাখাপটনম, ওক্টোবর০৩(এজেন্সী)ঃ

অন্ধ্র প্রদেশকী সিটি বিসাখাপটনমদা লৈবা ডা. ৱাই এস রাজাসেখরা রেদি এস সি এ-ভি দি সি এ ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ঙরাংদগী হৌখিবা ইন্দিয়া অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী অহানবা টেষ্ট মেচ অদুগী ঙসি নীনিশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়ানা অহানবা ইনিংসতা লৌখিবা রন ৫০২দগী সাউথ অফ্রিকা রন ৪৬৩ শোত্থদুনা লৈরি।

ইন্দিয়ানা টোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌরকপদা ওপনর ময়াঙ্ক অগরৱাল অমসুং রোহিত শর্ম্মনা য়াম্না ফজবা মওংদা অহৌবা নুমিৎ অদু আউট ওইদনা রন ২০০ হেন্দুনা লৈখি। ওপনর অনীনা অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ অদুদা রন




৩১৭ লৌদুনা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট পুৱারিদা ৩লক শুবা ওইনা টেষ্ট মেচকী ওপনিং ৱিকেটতা রন ৩০০ লান্থোকপা ঙমখি।

রোহিত শর্ম্ম ঙসি রন ১৭৬ লৌরগা আউট ওইখি। মহাক্লা পুন্না বোল ২৪৪ মায়োক্লুবদা সিক্স ৬ অমসুং ফোর ২৩ য়ৈরমখি। রোহিত শর্ম্মগী মতুং মখা তানা শান্নবা চঙলকপা ইন্দিয়াগী বেটচমেন ৩ স্কোর য়াম্না তৌদনা আউট ওইখি। ইনিংসকী ১২০ শুবা ওভরগী ৪ শুবা বোলদা ওপনর ময়াঙ্ক অগরৱাল রন ২১৫দা আউট ওইখি। মহাকসু রোহিত শর্ম্মগুম্না বো ৩৭১ মায়োক্লুবদা সিক্স ৬ অমসুং ফোর ২৩ য়ৈরমখি।

ইন্দিয়াগী টিম অদুনা মখা তানা ওভর ১৬ শান্নবদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ৫০২দা ইনিংস অদু দিক্লার তৌখি। সাউথ অফ্রিকানা মখোয়গী অহানবা ইনিংস শান্নরকপদা ঙসি নীশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ৩৯ খক লৌদুনা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর ৫০২ অদুদগী রন ৪৬৩ শোত্থদুনা লৈরি।

সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদগী দিন অলগর বোল ৬৩ মায়োক্লুবা সিক্স অমগা ফোর ২ য়ৈদনা আউট ওইদনা রন ২৭ লৌদুনা লৈরি। লোয়ননা ৫ শুবা বেটচমেন তেম্বা ভাভুমা রন ২ লৌগা শান্নরি।

# ওসাকা অমসুং এন্দ্রিস্কুনা চাইনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলদা থেংনরগনি






বৈজিং, ওক্টোবর ০৩(এজেন্সী)ঃ

চাইনানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী কোনুং বৈজিংদা পাঙথোকপা য়ু এস দোল্লর ৮,২৮৫,২৭৪গী শেলগী মনা লৈবা দব্লীয়ু টি এ অমসুং এ টি পিগী য়ু এস দোল্লর ৩,৬৬৬,২৭৫কী শেলগী মনা লৈবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা জপানগী নাওমি ওসোকা অমসুং কানাদাগী বিয়াঙ্কা এন্দ্রিস্কু ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

নাওমি ওসাকা মমাঙদা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরম্বা ঙম্লম্লবনি। অমরোমদা কাদানাগী বিয়াঙ্ক এন্দ্রিস্কু চহী অসিগী য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা ভেনস ৱিল্লিয়মসপু মায়থীবা পীদুনা মশাগী করিয়গী অহানবা গ্রান্দস্লাম টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

ওসাকানা মহাক্কী ৩শুবা রাউন্দ মেচতা য়ু এস এগী এলিসন রুস্কেবু ৬-৪, ৬-০দা মায়থীবা পীরমখি। অমরোমদা, বিয়াঙ্কা এন্দ্রিস্কুনা অতোপ্পা য়ু এস এগী শান্নরোয় জেনিফর ব্রেদিবু ৬-১, ৬-২দা থোইরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টি অমসুং জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভাগা লম্বা তৌনরগনি। বার্টিনা চাইনাগী স্বাই ঝেংবু ৬-৩, ৬-৭ (৫-৭), ৬-২দা মায়থীবা পীরমখি। অদুগা কিটোভানা স্বিজর্লেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকপু ৬-৩, ৬-৩দা থোইখি।

অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা য়ু এসকী কেনিনবু ৬-৩, ৬-৭ (৮-১০), ৬-৩দা থোইরম্বী য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনা অমসুং স্লোভাকিয়াগী পি হরকোকপু ৭-৬ (৮-৬), ২-৬, ৬-৩দা থোইরম্বী নেদর্লেন্দসকী কিকি বর্টেন্সকা লম্বা তৌনরগনি।

দেনমার্কক্কী শান্নরোয় কেরোলিন ৱাজনিয়াকি অমসুং রসিয়াগী দারিয়া কসাটকিনাগা ক্বার্টর ফাইনেল থেংনরগনি। ৱাজনিয়াকিনা জেক রিপব্লিক্কী কে সিনিয়াকোভাবু ৭-৫, ৬-৪দা মায়থীবা পীখি। রসিয়াগী কসাটকিনানা অতোপ্পা মহাক্কী লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোয় ঈ অলেকজেন্দ্রোভাবু ৬-৪, ৬-৩দা থোইরম্বনি।

জপানগী টোকিও সিটিদা পাঙথোকপা জপান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী রোহন বোপনা অমসুং দিবিস সারন মখোয় মখোয়গী পার্টনশিংগা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌরে।

# য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ মেচকী অনীশুবা রাউন্দদা চেলসি, লিভরপুল, বার্সেলোনা, এজাক্স অমসুং বোরুসিয়া দোর্টমুন্দ মায়পাকখ্রে

ভিলেনোব, ওক্টোবর০৩(এজেন্সী)ঃ

মালেমগী তোঙান-তোঙানবা কন্টিনেন্টশিংগী মনুংদা খ্বায়দগী মমিং লৈরবা লিগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০২০গী গ্রুপ মেচশিংগী ঙরাং শান্নখিবা মেচশিংদা ইংলেন্দগী ক্লব চেলসি, লিভরপুল, স্পেনগী ক্লব বার্সেলোনা, জর্মনিগী ক্লব বোরুসিয়া দোর্টমুন্দ অমসুং নেদরলেন্দসকী ক্লব এজাক্সনা মখোয় মখোয়গী লম্বা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

গ্রুপ মেচশিং অসি য়ুরোপরী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংনা ক্বালিফাইং মেচ শান্নরবা মতুং টিম ৩২না গ্রুপ ৮না মমাং থাগী ১৭তগী লম্বা তৌনরগা দিসেম্বর ১১ ফাওবা শান্নদুনা পুন্না টিম ১৬ খন্ননবা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ অদু টর্কিগী সিটি ইষ্টানবুলদা কুমজা ২০২০গী মে থাগী ৩১দা শান্নগদৌরি। নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০১৮-২০১৯গী য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লিগকী ফাইনেল মেচতী ইংলেন্দগী টিম অনী লম্বা তৌনবদা লিভরপুলনা টোটেনহাম হোটস্পর্সবু পাঞ্জল ২-০দা থোইরগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ 'ঐচ'কী ঙরাং ফ্রান্সকী সিটি ভিলেনোদা য়ুম্বু ওইখিবা ক্লব লিলে অমসুং ইংলেন্দগী চেসসি ফুটবোল ক্লব লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফতা চেলসিগী মায়কৈদগী




অব্রাহমনা মেচকী ২২শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা লিলেবু ১-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

ফ্রান্সকী ক্লব লিলেগী মায়কৈদগী ওসিমহেননা শান্নবগী মিনট ৩৩শুরকপদা ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা মেচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা লৈখি। অহানবা হাফ লোয়শিনখিবদা ১-১দগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ অদুগী অয়াম্বা মতম অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী মখাতাবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নদনা লৈরিঙৈ মেচকী ৭৮শুবা মিনটতা চেলসিগী মায়কৈদগী ৱিলিয়ননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২-১দা হেন্দুনা লৈখি। লিলেগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর অদু চনবা ঙমদনা চেলসি মায়পাকখি।

গ্রুপ অদুগী অতোপ্পা মেচ অমদা নেদরলেন্দসকী এজাক্স টিম্না ঙরাং স্পেনগী ক্লব ভেলেন্সিয়াবু য়াম্না হেন্দুনা পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা গ্রুপ অদুগী পোইন্ট টেবলদা মেচ অনী শান্নখিবদা অনীম্মক মায়পাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফংদুনা মকোক ওইবা ঙন্নি।

ঙরাংগী মেচ অদুদা এজাক্সকী মায়কৈদগী জিয়েসনা ৮শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মদুগী মতুং ৩৪শুবা মিনটতা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় প্রোমিসনা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং মেচ অদুগী অনীশুবা হাফকী ৬৭শুবা মিনটতা এজাক্সকী ভান দি বিকনা পাঞ্জল অমগা হাফচিন্দুনা ৩-০দা থোইখি।

গ্রুপ 'এফ'কী ঙরাং শান্নখিবা মেচ অমদা স্পেনগী ক্লব বর্সেলোনানা ইটালিগী ক্লব ইন্টর মিলানবু পাঞ্জল ২-১দা থোইবা ঙমখি। মেচ অদু স্পেনগী বর্সেলোনানা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নখি। মেচকী হৌরকপা শুপ্নগী ৩শুবা মিনটতা ইন্টর মিলানগী মার্টিনেজনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। হাফ অদুদা বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

মেচ অদুগী অনীশুবা হাফ হৌরকপদা পাঞ্জল অমা শোত্থরম্বা বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী এটেক হেন্না চত্থবা ঙমখি। শান্নবগী ৬৮শুবা মিনটতা বর্সেলোনাগী ষ্ট্রাইকর উরুগ্বে মচা লুই স্বারেজনা ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা মেচ অদু অমুক মান্নবা ঙম্লকখি।

মখাতানা বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী ফজবা হেনখিবা অদুনা মরম ওইদুনা শান্নবা লোয়গদবা মিনট ৬ ৱাৎলিঙৈদা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা স্বারেজনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২-১দা হেনখিবা অদু ইন্টর মিলাননা হোংদোকপা ঙমখিদবদগী বার্সেলোনা মায়পাকখি।

গ্রুপ অদুগী অতোপ্পা মেচ অমদা জেক রিপব্লিক্কী সিটি প্রাগতা মফম অদুগী ক্লব স্লাভিয়া প্রাগ অমসুং জর্মনিগী বোরুসিয়া দোর্টমুন্দ লম্বা তৌনরকপদা দোর্টমুন্দগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২-০দা মায়পাকপা ঙমখি।

মেচ অদুগী অহানব হাফকী অয়াম্বা মতম পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখ্রবা মতুং ৩৫শুবা মিনটতা দোর্টমুন্দগী হাকিমিনা একাউন্ট হাংদোকখি। য়ুম্বু ক্লব স্লাভিয়া প্রাগকী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লুবা য়াম্না কন্না হোৎনখিবা অদু কান্নবা ফংদনা অহানবা হাফ অদু লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাফতা জর্মনিগী ক্লব অদুগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা হাকিমিনা ৮৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা মখোয়না স্লাভিয়া প্রাগপু ২-০দা থোইদুনা গ্রুপ অদুগী মকোক্তা বর্সেলোনাগী গোল দিফরেন্সতা হেল্লগা মকোক্তা লৈরি।

গ্রুপ 'ঈ'গী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা মমাং চহীগী চেম্পিয়ন ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলনা ওষ্ট্রিয়াগী ক্লব রেদ বুল সালসবর্গপু পাঞ্জল ৪-৩দা থোইবা ঙমখি। অদুগা গ্রুপ অদুগী অতোপ্পা মেচ অমদা মকোক থোংদুনা লৈরিবা ইটালিগী নাপোলি অমসুং বেলজিয়মগী গেঙ্ক টিম পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

লিভরপুলগী মায়কৈদগী মানে, অমসুং রোবর্টসননা পাঞ্জল অমমম চন্নরগা মহম্মদ সালেনা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। অদুগা রেদ বুলসকী মায়কৈদগী হ্বাং হি, মিনামিনো অমসুং হালান্দনা পাঞ্জল অমমম চনবা ঙমখি।